HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী নুমিৎ নীনি চল্লকপদা মণিপুরদা দিপ্লোই তৌরিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং খুদক্তা হলহনখিগদবনি অমসুং সূ লৌথোক্কদবনি হায়দুনা ইবা প্লেকার্দশিং পায়দুনা দিমান্দ তৌখিবা


থম্মোয় পাউদম : ঐ, লানগী ৱারেঙ ইনীংদ্রে ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ এ আইনা কেন্সর অমসুং ভাইরল ইনফেক্সনশিংবু ...
'মণিপুরবু নুংশিনা য়েংবীরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক' ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ য়ুনিফাইদ কম্মান্দ চীফ মিনিষ্টরনা সেল্ফ চার্জ লৌদুনা...
পি এম মোদিনা লাইগা ৱারী শানৈ হায়খিবদু ৱাখল লায়না... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ দি এস এ ট্রোফি : এস দি ওনা এল এম এল সী সী...


সেকমাইজিন ময়ায় লৈকায়গী সেকমাইজিন সোসল ক্লবনা শিন্দুনা ঙরাং নুমিদাং কুকি মিলিটেন্টশিংদগী সূ লৌথোকউ অমসুং মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউদুনা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎ




Vol. 48, Issue No. 159 | য়ুমশাকৈশা, লাংবনগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, September 11, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# কর্ফিয়ু নমথেরকখিবা মহৈরোয়শিংদা চথখিবা সিক্যুরিটিগী এক্সনদা ১০০ রোম শোকখ্রে

## চীফ মিনিষ্টরদা 'য়ুনিফাইদ কম্মান্দ' গী থবক থৌরমশিং শিন্নবা ঙমখিরোই হায়না গভর্ণরনা ফোঙদোরক্লে : মহৈরোয়শিং

## ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবালদা মতম কক্তবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিনখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** ঙরাং মায়কৈ কয়াদগী হৌরকখিবা মহৈরোয়শিংনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা থোমজিন্দুনা চীফ মিনিষ্টর মশাগা উনবগা লোয়ননা রাজ ভবনদসু থোমজিল্লক্তুনা চার্টর ওফ দিমান্দ তরুক থবক্তা ওন্থোকপীনবা পীশিল্লম্লবা মতুং দিমান্দশিং অসি পুং ২৪গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্কদবনি হায়নসু তকশিল্লদুনা ময়ূম-ময়ূমদা ফাওবা হন্দনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লেক্তুনা পুং ২৪গী মতম য়ৌরকপা ঙাইরকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা ভারতিয়া নাগরিক সুরক্ষ্য সনহিতা ২০২৩গী সেক্সন ১৬৩গী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টতনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তারকপদগী মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট অনীসিগী মফম পূম্নমক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিনখিবগা লোয়ননা থৌবালগীনা চপ মান্নবা সেক্সন অসিগী সব সেক্সন ২গী মখাদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপদগী কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিন্দুনা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং লাকশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু মহৈরোয়শিংনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা নমথেক্তুনা মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিস য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাকশিন্নবা চথরকপা এক্সনদা মহৈরোয় নুপামচা অমদি নুপীমচাশিং য়াওনা মীওই ১০০ রোম শোক্তুনা রিমসতা লায়কন্নখ্রে।

শোক্লবশিংগী মনুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংসু য়াওখি। অদুগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফম ফম্বী খরসু য়াওখি।

## ইন্টরনেট সর্ভিস উচিদা হঞ্জিল্লে, নুমিৎ ৫নিগী অথিংবা থমখ্রে, অহানবা ওর্দরদা মণিপুর পূম্বদা থল্লম্লগা অনীশুবা ওর্দরদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা থল্লকখ্রে

মহৈরোয়শিংনা ঙরাং গভর্ণরদা পুং ২৪গী মতম থারম্ববু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা অহিং লেক্তুনা ঙাইরকখিবা মহৈরোয়শিংনা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা গভর্ণর উননবা রাজ ভবন তম্না চঙশিনবা হৌরকপদা বি টি রোদকী ওভর ব্রিদজ মখোঙদা পুলিসশিংনা চত্তনবা থৎতুনা থমখি। পুলিসকী মায়কৈদগী কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রে হায়না খঙহনবগা লোয়ননা মফম অদুদগী রাজ ভবন তম্না চৎপা য়ারোই হায়খি।

ৱাফম অসি ফোঙদোরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা ঙাইহাক মূক্নরবা মতুং মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী মীহুৎ খরগী কাঙবুনা গভর্ণর উনগে হায়বদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকখি অদুবু চৈরক অদুদা মহৈরোয়শিংনা ওভর ব্রিদজ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## এম য়ুগী মহৈরোয়শিংনা অমিট শাহ, সিক্যুরিটি এদভাইজর ১সুং দি জি পিগী ইফিজি মৈ থাখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন বোমিং এটেক অমদি মিসাইল কাপশিল্লক্তুনা মীচম হাৎপা অমসুং শোকহনবনচিংবা থৌদোকশিং মনম-মনম থোকচিল্লক্লিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না থা ১৬ হেঞ্জিল্লক্লবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনদবা অমসুং কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎতবদগীনি হায়রদুনা খোয়শাওনরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা ঙসি কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী মখাদা খোঙজং চঙশিল্লদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি জি পি রজিব সিংহগী মীতমশিং এম য়ুগী গেট মমাঙদা মৈ থাখ্রে।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী স্কুল কোলেজশিং ছুটি থাদোকখিবগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা অমিট শাহদা থবক্তা ওন্থোক্নবা ৱাফম ১০ ইদুনা পীখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়াওনা থা ১৬ হেন্না চথরক্লিবা লান অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়াম্না মায়োক্নরক্লিবা ফীভমশিং ময়েক শেংনা পনবগা লোয়ননা মীচম মীয়ামগী মথক্তা চথরক্লিবা এরিএল এটেক অমসুং অনমেনদ্ এরিএল ভেরিকলস (য়ু এ ভি) অমদি রোকেট/মিসাইলনচিংবা শীজিন্নরক্তুনা মীশি মীনা থোকহল্লকপা থৌদোকশিংগী মতাংদা পল্লদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম ১০ অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা অমসুং মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিলহন্নবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

পূন্না লমায় ৬ পানবা অইবা চরোল অদুদা খুদক্তা থবক্তা ওন্থোকপীনবা হায়জখিবশিংগী মনুংদা থোকহন্নীংদবা তমথীরবা থৌদোকশিংনা খুদোংথীবা মায়োক্নহল্লবা মীয়ামগী অৱা-অনা কোকহন্নবগীদমক মীয়ামগী মরক্তা ৱারী শাবা হৌবীয়ু। লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎতুনা মপূং ফবা সিক্যুরিটি পীরগা হায়ৱেশিংদা পোৎচৈ পুবা গাড়ীশিং অমসুং মীয়াম ফ্রীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙমহনবীয়ু। থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন অদুক্কী মতিক শোকহল্লে হায়রদুনা মসিগীদমক মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিগা তান্নবীদুনা টেক্সশিং কোকথোকপীয়ু অমসুং শীংথানীংঙাই ওইবা তেংবাঙশিং পীবিয়ু হায়বা য়াওরি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নম্বোল কৈথেল : টিদ্দিম লম্বী থিংলগা সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপকী মীতম মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না খামদবদগী থা ১৬ হেন্না চথরক্লিবা লান অসিদা দ্রোন বোমিং তৌরকপা অমসুং মিসাইল এটেক চথরকপা য়াওনা মীচম মীয়াম মীশি-মীনা থোকহল্লকপদগী মহৈরোয়শিং চোঙথোরক্তুনা চীফ মিনিষ্টর অমদি গভর্ণরদা থমখিবা ৱাফম/চার্টর ওফ দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়দুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংলোইশিংবু পুলিসনা তমথীনা ফূ চৈরকপবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নম্বোল কৈথেলদা মফম



অসিগী অকোয়বদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মৈরা পায়বীশিংগা খুৎশম্নদুনা টিদ্দিম লম্বী থিংজিন্দুনা থল্লগা সিক্যুরিটি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরদা অহেনবা সী আর পি এফ পর্সনেল লিশীং ২ থারক্লগনি

**ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :** মণিপুরগী কাঙলুপ মশেলগী লান খংকন কনশিল্লকপদগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অহেনবা সী আর পি এফকী পর্সনেল লিশীং ২ রোম থারক্লগনি হায়না এজেন্সীগী পাউ অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

খোঙথাং অসি জম্মু কাশ্মীর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী মফম খরদা মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক মণিপুরদগী অসাম রাইফলসকী বট্টালিয়ন অনী লৌথোক্লবা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা লৌখৎলকপা থৌরাংনি হায়রি।

মণিপুরদা নৌনা থাজিল্লক্কদৌরিবা সী আর পি এফকী পর্সনেলশিং অদু টেলঙ্গনাগী ৱরাঙ্গরদগী বট্টালিয়ন নম্বর ৫৮ অমসুং ঝরখণ্ডগী লাটেহরদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম য়ুগী ক্লাসশিং নুমিৎ নীনিগী ওইনা কেন্সেল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসিগী মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ক্লাস পুম্নমক হয়েংদগী হৌরদুনা হংচিৎ ফাওবা নুমিৎ নীনিগী ওইনা কেন্সেল তৌরে হায়না মহৈকোল অসিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবুনা ঙসি থোরকপা ওর্দর অমনা হায়রি। অদুম ওইনমক নুমিৎ নীনি চুপ্পা ক্লাস পুম্নমক কেন্সেল তৌরবসু মহৈকোল অসিগী অতোপ্পা হান্নদগী লেপথোক্তুনা লৈবা এক্টিভিটিশিংদি অদুমক মখা চত্থগনি হায়রি। ওর্দর অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওরগা পীবনি হায়নসু পল্লি। ওর্দর অসিগী কোপিশিং মহৈকোল অসিগী ভি সী, দিনশিং অমসুং দিপার্টমেন্টকী হেদশিংদসু পীখ্রে হায়রি।

## অনাবা পুরকপা এম্বুলেন্সকী মরুমদগী রেপিদ এক্সন ফোর্সনা টিয়র গ্যাস কাপকে হায়বা য়াদে হায়দুনা ওৎ নৈরকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** ঙরাং গভর্ণর উনরগা চার্টর ওফ দিমান্দ পীশিল্লুবা মহৈরোয়শিংনা গভর্ণরদা চার্টর ওফ দিমান্দদা পল্লিবা ৱাফমশিং পুং ২৪গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহল্লন্বগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিংনা ময়ূম-ময়ূমদা হনবগী মহুত্তা ঙরাং নুমিদাং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা অহিং য়ারেক্লগা ঙরাং থারম্বা পুং ২৪গী মতম অদু য়ৌশিল্লকপগা ঙসি অমুক হন্না রাজ ভবনগী গেট তম্না চঙশিল্লকপদা ঈরাং থোকখিবগা লোয়ননা এম য়ুগী মহৈরোয়শিংনসু অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী পুলিসনা রেপিদ এক্সন ফোর্স (আর এ এফ) কী পর্সনেলশিংগা লোয়ননা ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা আর এ এফকী পর্সনেল খরনা অনাবা পুদুনা লাকপা এম্বুলেন্স অমগী মীওই অহুমদা ওৎ-নৈবগী থৌওং চথখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## অহুম্লক শুরকপা ওইনা লৈঙাক্লা স্কুল অমসুং কোলেজশিং নুমিৎ নীনি ছুটি থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম থাদরক্লগা মীচম মীয়াম মীশি-মীনা থোকহল্লকপা অমসুং লোঙ রেঞ্জ মিসাইল/রোকেট শীজিন্নদুনা অশি-অনা য়াওহল্লকপা খক্তা নত্তনা ফমুংদা তূমদুনা লৈজবা মীওই ফাওবা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলকপগী থৌদোকশিং থোরকপদগী খোয়শাওনরবা মীয়াম হৌরকপা, মৈরা পায়বীশিংনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎলকপা অমসুং মহৈরোয়শিংনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো অমদি রাজ ভবনদা থোমজিল্লক্তুনা দিমান্দ কয়া তাল্লকপদগী মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী স্কুল/কোলেজশিং তাঙ্কক অনীরক্তা নোংমা অমসুং নীনি ছুটি থাদোকখ্রবা মতুংদা অহুম্লক শুরকপা ওইনা অমুক্কসু হয়েংদগী হৌরগা হংচিৎ ফাওবা স্কুল অমসুং কোলেজশিং নুমিৎ নীনি ছুটি ওইরগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা থোরকপা ওর্দর অমদা মণিপুরদা লৈবা লৈঙাক্কী য়াওনা গভর্ণমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুলশিং নুমিৎ নীনি অসি ছুটি ওইগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় : সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পি ফম থাদোকউ হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** হন্দক তমথীরবা লান অসিনা থা ১৬ লানশিল্লকপগা ইরোয়ননা কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন বোমিং অমদি রোকেট এটেক ফাওবা চথরক্তুনা মীচম মীয়াম অশি অনা য়াওরবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্না মীচম মীয়ামগী পূন্সি ঙাকপী শেনবীবা ঙমদবা থৌওংবু য়ানীংদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ঙসি গভর্ণর দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কদৌরিব্রা



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী লানগী ফীভম খংকন কনশিল্লকপদগী ষ্টেট অসিদা হল্লকপগী নুমিৎ শুদ্রিঙৈদা তনহন হল্লকখিবা গভর্ণর লক্সমন প্রসাদ অচার্য্য হয়েং দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লবা য়াই হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা গভর্ণরনা হয়েং অয়ুক ইম্ফাল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লৈখিদ্রবী সনাহনবীগী কেসতা মপুরোইবা পুলিসনা ফারগা জেলদা থাজিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ২গী নুংথিলদা বাথরুমদা থৌরী য়ান্দুনা শিবনি হায়দুনা লৈখিদ্রবী ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দগী খুন্দ্রাকপম আনন্দি (২৮), মপুরোইবা লাইশ্রম বিজয় মীশিগী মায়োক্তা লৈখিদ্রবীগী অপোকপা কে ঐচ খোগেন (৪৮), শগোলবন্দ হৈনৌবোকনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না শীংজমৈ পুলিসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৯০ (৯) ২০২৪ অন্দর সেক্সন ১০৮ বি এন এস, ২০২৩গী মতুংইন্না লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবা এল বিজয় কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ৱাংজিংদা খোঙজং : মীচম হাৎপা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলু

### 'ইন্দিয়া লৈঙাক্না লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দ্রবদি ঐখোয় ইন্দিয়াদগী তোখায় তাজরগে হায়রকপা য়াই'

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা চথরক্লিবা লান অসিগী মায়োক্তা লৈঙাক্না এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না ঙরাং নুমিদাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা মৈরা পায়বী লিশীং কয়ানা শরুক য়াদুনা অচৌবা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

ৱাংজিং-লমদিং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা শীন্দুনা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎ অদু ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমসুং লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্প অনীদা লৈরিবা মোরেদগী লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনসু শরুক য়াখি।

মৈরাগী খোঙচৎ অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ তাবদগী এন ঐচ-১০২ পরিংগী ৱাংজিং-হৈরোক লমখাই ইরাবত স্কৱার মপাদগী হৌরক্লগা তেন্থা লমখাই ফাওবা চৎলুরবা মতুংদা ৱাংজিং-লমদিং কৈথেল ফাওরগা খাঙবোক্কী সোরোজিনি ওইল পম্প মপা ফাওবা চৎলবা মতুংদা হৈরোক লমখাইদা অমুক হল্লকখি।




খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ৱাংজিং-লমদিং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি লাইশ্রম শান্তিনা হায়, হন্দক কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম থাদবা অমসুং মিসাইল কাপশিল্লক্তুনা মীচমশিং হাৎলকপা অসি মমা ওইবীশিংনা য়ানীংদে। কুকিশিংগী অসিগুম্বা লান অসিবু তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা ষ্টেট অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌপুরিবশিংবুসু মমা ওইবীশিংনা অঙকপা ফাওই। মীচম মীয়ামগী পূন্সি ঙাক শেনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। থা ১৬ হেল্লবা কুকিশিংগী লান অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা লৈঙাক অনীনা থবক পায়খৎলু। লোয়ননা দ্রোন বোম শীজিন্নরিবা কুকি টেররিষ্টশিংবু ফাদবা অদুগা ইচম চম্না খুল ঙাকচরিবা মীতৈশিংগী খুল ঙাকপশিংবুনা ফাবা পূনবা তৌবীবদা নত্তনা খূৎলায়সু ফাগৎপগী থৌওং মমা ওইবীশিংনা খাঙদুনা লৈবা ঙমদে। ইচাশিংগীদমক মমা ওইবী ঐখোয় লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎত্রবদি ঐখোয় ইন্দিয়াদগী তোখায় তাজরগে হায়রকপা য়াই। ঈরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিল্লু হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মণিপুর পুলিসপু এ আরগী দি জি ওইরম্বা নায়রনা লান্না উহন্নবা হোৎনবা লাইবক থীবনি




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মীতৈ পুলিস, কুকি পুলিস হায়বা খক্তা নত্তনা মণিপুর পুলিস কৌবা অমা লৈতে হায়না অসাম রাইফলসকী হান্নগী দিরেক্টর জেনরেল ওইরম্বা লেফটিনেন্ট জেনরেল প্রদিপ চন্দ্র নায়রনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না মণিপুর পুলিসকী আই জি পি (ওপস) আই কে মুইভানা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৬ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫